

মপানগী পাউ

সিরিয়াগী হাওলাদা নুপী অঙাংশিংনা অয়াম্বা ওইবা মীওই ৮৮ শিখ্রে

সিরিয়া, মে ২৬ঃ সিরিয়াগী ঈরাং কল্লবা হোম প্রোভিন্সতা অঙাং কয়া অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৮৮ শিখ্রে। ওপোজিশন এক্টিভিষ্টশিংনদি থৌওং অসি মাসেকর অমনি ফোঙদোকখ্রে।

হাওলাদা চত্থখিবা হিংশাগী থবক থৌওংশিংদা মীওই কয়া’মনা অশোক অপন নংখি। গভর্ণমেন্টকী ফোর্সশিংনা টাওন অদুদা লেপ্পা লৈতনা বোম-তোপ কয়া কাপশিল্লকখি হায়না হায়রি।

করিগুম্বা মীশি-মীনা থোক্লিবা মশীং অসিনা চপ চাবা অচুম্বা ওইরম্বা থোক্লগদি মসিনা এপ্রিল থাদা হৌখিবা সীজ ফায়রগী হেক মতুংদা খ্বাইদগী শাথীবা ওইনা থোকপা মীশি মীনাগী থৌদোক হায়বদু ওইরবনি।

মরক অসিদা য়ু এনকী চীফ বান কি মুননসু ওপোজিশননা সিটিশিংগী মফম খরা কন্ট্রোল তৌরে হায়না হায়বা লৈরি।

য়ু এন সেক্যুরিটি কাওন্সিলদা ইখিবা চিঠি অমদা মিষ্টর বাননা সিচুএশন অদু য়াম্না শাথীনা সেরিয়স ওই অমদি কনফ্লিক্ট অদুদা লৈবাকশিংবু নাকল অমত্তদা মতেং পাংশিন্নদবগী ৱাফম খঙহল্লি।

ঙরাং সিরিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু হিংশাগী থবক থৌওংশিং চত্থবদা মীওই ২০ হেন্না শিখিবগী থৌদোকশিং লৈখ্রবনি হায়রি।

হাওলাদা এক্টিভিষ্টশিংনদি শিখ্রবা মীওইশিং অদুগী মরক্তা গভর্ণমেন্টকী মিলিসিয়া কাঙবসু হাৎপনি। অদুগা অতোপ্পশিং অদুনা সিরিয়াগী লান্মীশিংনা বোম তোপ কাপশিল্লকপদগী শিখিবনি।

লোকেল কোওর্দিনেশন কমিটিনদি য়ামদ্রবদা নুপী-অঙাংশিংনা অয়াম্বা ওইনা মীওই ৮৮ শিরে হায়না হায়খিবা লৈখিবনি। সিরিয়ান নেশনেল কাওন্সিলনসু য়ু এন সেক্যুরিটি কাওন্সিলবু অথুবা মতমদা খোঙথাংশিং পায়খৎনবগী ৱাফম তকশিনবা লৈরি।

হাওলা টাওনদা লৈবা ইমুং অমগী মীওইশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্সনা তূম্না হাৎপসু য়াওরি। অদুগা অতোপ্পশিং অদুনা বোম তোপ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা শিখিবসু য়াওরিবনি।

ইন্টরনেশনেল মেদিয়ানদি সিরিয়াদা থোক্লিবা ৱাথোকশিং অদুগী মতাংদা মনীং মখা তম্না চঙথোক-চঙশিন তৌরগা ঈ-পাউ লৌবা ঙমদ্রিবা ওইবনা থৌদোকশিং অদু কয়া য়াম্না মরিক চুম্বা ওইরিবনো হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

ম্যান্মারদা ইলেক্ট্রিসিটি ৱাৎপদগী মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌবগী খোঙজং চঙশিল্লক্লি

য়াঙ্গোন, মে ২৬ঃ ম্যান্মারদা পৱার ৱাৎপগী মায়োক্তা নুমিৎ মঙানিরোম চুপ্পা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌবগী ঈহৌ অমা চঙশিল্লকখিবা অসিদা ম্যান্মারগী রিফোর্মিষ্ট গভর্ণমেন্টঅসিদা কোক চিকপা পোকহনখ্রে হায়না ওফিসিএল ওইবা পাউগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

ঙরাং পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিংবু সেন্ট্রেল ম্যান্মারগী টাওন পৈদা তকথোকখিবা লৈখি। মসিদা পুলিসনা কা হেনবা থৌওংশিং চত্থখিবা লৈখিবা অদু মমাঙগী মিলিটরি জুন্টাগী মতমদা তৌখিবা থৌদোকশিং অদু নৌহৌননা নীংশিংহল্লে হায়রি।

য়ুমশকৈশো নুমিৎতা ষ্টেট টেলিভিজননা ইমর্জেন্সিগী মীজর লাউথোকখিবগা লোয়ননা ইলেক্ট্রিসিটিগী সপ্লায় হেনগৎহনগনি হায়বগী ৱাফম খঙহনখিবা লৈখিবনি।

ম্যান্মারদা মিলিটরিগী লৈঙাক সাশন লৈরিঙৈ মতমদদি প্রোটেষ্ট তৌবগী খোঙজংশিং অসি চঙশিনবা য়ারমদে। মিলিটরিগী অকনবা খোঙথাং লৌখৎতুনা মীহাৎ মীপূনগী থৌদোকশিং চত্থদুনা লাকখিবনি।

হৌজিক ম্যান্মারগী সিভিলিয়ন গভর্ণমেন্ট লৈরবনিনা লৈবাক মীয়ামগী মায়কৈদগী চঙশিল্লিবা ঈহৌ অসিগী য়াকা মতুং ইন্না থবক তৌবগী তঙায়ফদবা অদু লাক্লি। মসি নত্তবা তারগদি রিফোর্ম অসিগী প্রোসেস অসিদা অকায়বা থোক্তুনা য়ুরোপ অমদি অমেরিকাদগী শাউনবা পোকপা হেনগৎলক্কদৌরিবনি।

ম্যান্মার লৈবাক অসিগী মথক্তা থল্লম্বা সেঙ্কশনশিং হন্দক্তা সস্পেন্দ তৌখিবা লৈখিবনি। ম্যান্মারদা মৈ ৱাৎপদগী পেন্দবা পোক্লবা মীয়াম্না ঈহৌ চঙশিল্লক্লিবা অসি মখা তানা অতৈ অতোপ্পা চান-থক্লবগী অৱাৎ অপা লৈরিবা অসিগসু খোঙজং চঙশিল্লকপা য়ানা লৈরিবনি।

লৈবাক অসিদা চান-থক্লবা চীঞ্জাক্কী মমল অসি অসুক্কী ৱাংলে অমদি থাওগী মমলসু হেনগৎলে, থবক ফংদবগী সমস্যাসু হেনগৎলক্লি। করিগুম্বা মখোয়না প্রোটেষ্ট তৌবগী খোঙজং অসি তোকপা পাল্লগদি মখোয়না পূং ২৪ গী মতম অসি ইলেক্ট্রিসিটি পীগদবনি অমদি অহেনবা হ্যুমেন রাইট্সকী পীগদবনি হায়বগী দাবীসু তৌরি।

হৌজিক হৌজিক মশাগী চহী ২০ শুরবা মহৈরোয় কে লৱিন কৌবা মীওই অমনসু অতৈ অতোপ্পা মীওই ১০০রোমগা লোয়ননা য়াঙ্গোনদা প্রোটেষ্ট তৌবগী থৌরম অদুদা য়াওশিল্লকখিবা লৈখি।

মহাক্না মমাঙগী গভর্ণমেন্টকী মতমদা তৌরম্বা থৌওংশিং অদুবু তুক্কৎচবা উৎখিবগা লোয়ননা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসি হেন্না অদুবু মসি ফীভম অসি ফগৎহনবগী তঙায় ফদবা অদু লৈরি হায়না হায়রি।

ঈজিপ্টকী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনগী ভোট মশীং থীবা হৌখ্রে

কাইরো, মে ২৬ঃ ঈজিপ্টতা ফ্রী এন্দ ফেয়র ওইরিবা ইলেক্সন পাঙথোক-খ্রবা নুমিৎ লৈরবা মতুংদা ভোট মশীং থীবা হৌখ্রে হায়না পাজী ওইবা সোর্সঅমনা ফোঙদোক্লি।

হৌজিক ফাওবদা পোল্লিং ষ্টেশন খরদগী রিজল্ট খরখক্তমক ফংবা ঙম্লি। অদুবু মসিদা মুসলিম ব্রদরহূদনা মখোয়গী পার্টিগী ওইনা ইষ্টিমেদ তৌবদা মোহম্মদ মুরসিনা লীদিং ওইনা হায়বদি লৈরি।

মসিগী মমাঙদা কেন্দিদেটশিংনা অমনা অমবু মরাল শীনবগী থৌওংশিং চত্থনবদগী টেন্সন ৱাংনা লৈরিবনি। পোল অসি মপূং ওইনা য়েংবদা শান্তি ওইনা চত্থখিবা লৈখি।

পোল অসিদা ভোটর মিল্লিয়ন ৫০ রোম ভোট থাদনখি। কেন্দিদেট ১৩না প্রসিদেন্টকী ফম অসিগীদমক্তা লম্বা তৌনরি। চহী অমগী মমাঙদা লৈবাক অসিদা মতম শাংনা সাশন তৌদুনা লাকখিবা হোসনি মুবারকপু নুমিৎ ১৮ নি চুপ্পা প্রোটেষ্ট তৌবগী ঈহৌ অমা চঙশিল্লগা মফম চিংথুখিবা লৈখিবনি।

মীখল অসিদা মাঙজিল থানা লাকপা য়াই হায়না পানরিবশিংগী মনুংদা মিষ্টর মোহম্মদ মুরসি, মুবারক ইরাগী ওফিসিএল ওইরম্বা এক্স পি এম অহমদ সাফিক অমদি মমাঙদা অরব লীগকী হেদ ওইরম্বা অমর মেসা অমদি অব্দুল মোনেম অবোল ফোটোহা য়াওরি।

করিগুম্বা পাঙথোক্লিবা ভোট অসি কেন্দিদেটশিং অমত্তনা চাদা ৫০ দগী চাং হেন্না ফংবা ঙমদবা থোক্লগাদি লীদিং কেন্দিদেট অদুনা মথং থাদা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ইলেক্সন অমুক থেংনগদৌরিবনি।

ইলেক্সন রিজল্টকীদমক্তা ঈজিপ্টকী মীওই কয়া’মনা খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈনরি। প্রাইভেট টেলিভিজনশিংনসু ইলেক্সনগী রিজল্ট লাউথোক্লবগী থৌরাংশিং চত্থরি।

ইলেক্সন অসিগী রিজল্ট খরা ফংখিবা অসিদা মোদরেট ইস্লামিষ্ট অব্দুল মোনেম অবোল ফোটোহা অমদি নাজারিস অল-করামাহ পার্টিগী হমদিন সভাহিসু য়াওরি।

টর্কিগী পুলিস ষ্টেশন্দা কার বোম পোকখায়খ্রে

অঙ্কারা, মে ২৬ঃ সেন্ট্রেল টর্কিগী প্রোভিন্স কাইসেরিদা লৈবা পুলিস ষ্টেশন অমগী মনাক নক্লা অচৌবা পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখিবদা পুলিসমেন অমা শিখ্রে হায়না লোকেলগী রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

কিনারবাসি টাওনদা লৈবা বিল্ডিং অমদা এটেকর অমনা কার থৌরক্তুনা থেংজিন্নবা হোৎনখিবদা গার্দ তারিবা কাঙবুশিংগা খূৎ থোক্ন খিবগী থৌদোক চত্থখি।

মসিগী মতুং তারকপদা কার অদুদা য়াওরিবা বোম অমা ইখং খংহৌদনা পোকখায়রকখিবনি। বোম পোকখায়খিবগী থৌদোক অদুদা সিভিলিয়ন ১২রোম হেন্না অশোক-অপন নংখিবা লৈখি।

পুলিস ষ্টেশন অদুগী নাকলদা চত্থখিবা থৌওংশিং অদু টেলিভিজনগী ফুটেজদা উখোকখিবা লৈখি। লোকেল মেদিয়ানদি কার বোম অদু পোখায়দ্রিঙৈগী মাঙওইননা পুলিস ষ্টেশন মনাক্তা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোকশিং চত্থখি হায়রি।

কার বোম অদু অতন্নলা পোকখায়হল্লকখিব্রা নৎত্রগনা নোংমৈ কাপ্প খিবগী থৌদোক অদুদা পানবদগী পোকখায়রকখিব্রা হায়বদুসু চপ চানা খঙবা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরি।

থৌদোক থোকফম অদুদগী কিলোমিটর অনীরোমতমক লাপ্পা সিভিল সর্ভেন্ট ওইরিবা হসন গুনুস কৌবা মীওই অমনদি মহাক অমদি মহাক্কী কলীগশিংনা অহৌবা পোকখায়বগী মখোল অমা তাবা ফংখি। মসিগী মতুং তারকপদা অচৌবা মৈখু অমা কারকপা উখি।

কাইরেসি প্রোভিন্স অসি টর্কিগী ময়োল লমদমদা লৈবনি। মসি কেপিটেল অঙ্কারাদগী কিলোমিটর ৩২৫রোতমক লাপ্পা লৈবা মফম অমনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি কনা করিগীদমক্তা এটেক অদু চত্থরিবনো হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি।

প্রসিদেন্ট হোলান্দে অফগানিষ্টানদা থুংখ্রে

কাবুল, মে ২৬ঃ ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ফ্রানকোইজ হোলান্দে অফগানিষ্টানদা হান্ননা লাউথোক্তবা খোঙচৎ অমদা থুংখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মখোয়গী লান্মীশিং হন্দোক্লবগী মতাংদা খন্নগনি হায়না থাজবা য়াবা পাউগী সোর্স অমনা ফোঙদোক্লি।

চৎলিবা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা হোলান্দেনা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্টকী ফম পায়খিবদা ঙাইহিরবনি। মহাক্না কাবুলগী খোঙচৎ অসিদা পূং খরখক্তমক লৈদুনা ফ্রান্সকী লান্মীশিংগা উন্নরমগনি।

মহাক্না অফগানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট হমিদ করজাইগসু উন্নদুনা ৱারী শানগনি থাজবা লৈরি। ইং ২০১২ গী লোইশিল্লকপা শরুক্তা অফগানিষ্টানদা লৈরিবা ফ্রান্সকী কম্বেট ট্রুপশিং পূম্নমক হোলান্দেনা হন্দা-ক্লিংবগী অপাম্বা লৈরিবনি।

মমাঙগী মতমদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা নিকোলাস সর্কোজিনা পীরম্বা দেদলাইন অদুদগী চহী অমা ঙনখৎনা মহাক্না লান্মীশিং অদু হন্দোকহন্নীংবগী অপাম্বা লৈরি।

মিষ্টর হোলান্দেনা মশামক ফ্রান্সকী লান্মী অদুদা ৱাফম অসি খঙহন্নীংবগী অপাম্বা লৈরিবনি। লান্মীশিং অদু হন্দোক্লবগী মতাংদা লৌরিবা ৱারেপনচিংবদুগী মতাংদসু শন্দোক্লা তাক্তুনা খঙহন্নীংবগী ৱাফম লৈরিবনি হায়রি।

ফ্রান্সনা অফগানিষ্টানদা লৈরিবা লান্মীশিং ঙন্না হন্দোক্লবা ৱারেপ লৌরিবা অসি সোভরেন্ট ওইবা দিসিজন অমনি। মসি ঐখোয়গী খোঙবু ওইনা চৎমিন্নরিবা এলাইজ কাঙবুগা ভাব তান্নরবা মতুংদা চত্থরকখিবা থৌওং অমনি।

খঙজিনবদা কান্নবা

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না করি তৌরি

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা ইকোনোমিক, ফাইনান্সিএল, কম্মর্সিএল, পোলিটিকেল, ইন্দষ্ট্রিএল, এগ্রিকলচরেল, সোসিএল অমদি কলচরেলগী ওইবা মেটরশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা রোল কয়া’মা কভর তৌরি। অদুবু মসিগী মরু ওইবা এচিভমেন্ট অনীদি মেম্বর ষ্টেটশিংগী মনুংদা কষ্টম দ্যুটিশিং মুখৎলগা ফ্রী ট্রেদ অমা ইষ্টাব্লিষ্ট তৌবা অমদি এগ্রিকলচরেল অমদি ফিশরিজগী কম্মন পোলিসি অমা লিংখৎপা অসিনি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না য়ুরোপকী হেন্না শোখনা লৈবা লমদমশিংদা সবসিদিশিং পী। মসি মরু ওইনা অনৌবা ইন্দষ্ট্রিনচিংবগী প্রোজেক্ট পায়খৎপনি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী এইদ অয়াম্বদি য়ুরোপকী মরক্তা ট্রান্সপোর্ট লিঙ্ককী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা টার্গেট তৌই। মসিগীদমক্তা লম্বী অমদি রেলৱে শেম্বগী থৌওংশিংসু পাক-শন্না চৎখে। মরমদি রিজন পূম্নমক্তা সিঙ্গল মার্কেটকী বিনিফিট শ্যের অদু ফংবা ঙম্নবনি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মরু ওইবা ইন্সটিট্যুশন অহুম লৈ। বেলজিয়মগী ব্রুসেলসতা বেজ তৌরিবা কমিশন অসি সিভিল সর্ভিসনি। মসিনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন চলাইবগী থবক তৌরি। ফ্রান্সকী ষ্ট্রাস বোর্গ অমদি ব্রুসেলতা লৈরিবা পার্লিয়ামেন্টনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন কন্ট্রোল তৌবগী থবক চত্থরি। লুসেমবর্গতা লৈরিবা য়ুরোপিয়ন কোর্ট ওফ জষ্টিসনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লোশিং অদু প্রোপর্লি ওইনা এপ্লায় তৌবদা শীজিন্নরিবনি।

বেনর্জি ভুটো মুশারফনা হাৎপনি মরাল শিখ্রে

ৱাশিংটন, মে ২৬ঃ পাকিষ্টানদা প্রসিদেন্ট আসিফ আলি জরদারিগী মচানুপা অমদি পাকিষ্টান পীপল্স পার্টি (পি পি পি)গী চীফ ওইরিবা বিলাৱাল ভুটো জরদারিনা মহাক্কী মমা বেনর্জি ভুটোবু মুশারফনা হাৎপনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বিলাৱাল ভুটো জরদারিনা মহাক্কী মমা বেনর্জি ভুটোবু মুশারফনা লৌতুনরগা সেক্যুরিটি পীদবদগী শিখিবনি। ইং ২০০৭কী মতমদা পাকিষ্টানদা হল্লকপা মতমদা সেক্যুরিটি পীদবনা মরম ওইদুনা মহাক্কী মমাবু হাৎহনখিবনি হায়নসু হায়রি। হৌজিক্তি মহাক পাকিষ্টানগী গভর্ণমেন্টনা সেক্যুরিটি মতীক চানা পীবনা মরম ওইবনা মহাক্কী পুন্সিদা অশোয় অঙাম থোক্কনি হায়বসি থাজদে। মতম অদুদা লৈরম্বা গভর্ণমেন্টনা লৌতুনরগা সেক্যুরিটি পীবিখিদবনা মরম ওইদুনা মহাক্কী মমা লৈখিদবনি হায়না বিলাৱালনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক হৌজিক মশাগী চহী ২৩ শুরবা বেনর্জি ভুটোগী মচানুপা অসি মমাঙ চহীদা ওক্সফোর্দ মহৈ মশিং তম্লুরবা মতুংদা পাকিষ্টানদা হল্লকখ্রবনি।

মুশারফ রেজিম অমদি ইস্লামিক এক্সট্রিমিষ্টকী কম্বিনেশন অমনা মরম ওইরগা মহাক্কী মমাবু হাৎখিবনি। অল-কাইদানা টালিবানদা এটেক অদু চত্থনবা হুকুম তৌবদগী টালিবাননা এটেক অদু চত্থবনি।

পর্ভেজ মুশারফনসু এটেক তৌরক্কদবা লৈরে খঙনা খঙনা মহাক্কী মমাগী সেক্যুরিটিবু পীবিখিদে। মুশারফনা মহাক্কী মমাবু হিংহন্নীংদবগী থৌওং অদু চত্থখিবনি। মহাক্না ঐগী ইমাবু হাৎপনি। মহাক্কী মমা শিবগী দায়ত্ব অদু মুশারফনা পুফম থোকই হায়রি।

টৌকিও এক্কারিয়মদা নাঙ্হোক্তুনা চেনখিবা পেনগুইন ফারে

টৌকিও, মে ২৬ঃ জপানগী কেপিটেল টোকিওগী এক্কারিয়মদা লৈবা নহা ওইরিবা পেনগুইন অমনা নাঙ্হোক্তুনা চৎখিবা থা অনী লৈরবা মতুংদা কিপরশিংনা ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না ওফিসিএল ওইবা পাউগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদা টোকিও সী লাইফ পার্কতা লৈরিবা হম্বোলদট পেনগুইন অদু চেকপল কারগা নাঙ্হোক্তুনা চেনখিবনি।

মসিগী মতুং তারকপদা টোকিও বেদা চেল্লিবা তুরেলশিংদা পেনগুইন অদু ঈরোইদুনা লৈরে হায়বা খঙবা ঙমখিবনি। চহী অমা অমরোম শুরবা পেনগুইন অদু চেনখ্রবা ঙরাং শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা ফাগৎপা ঙমখ্রবনি।

কিপর অনীনা পেনগুইন অদুবু লৈ হায়রিবা তুরেল অমদা ঙরাং অয়ূক চৎখি। মখোয়না তুরেলগী তোর্বানদা ঙরাং অথেংবা শরুক্তা ফাগৎখিবনি হায়না টোকিও সী লাইফ পার্ককী ওফিসিএল অমনা ফোঙদোকখিবনি।

OFFICE OF THE
MANAGING DIRECTOR
SHARMAARTS & CRAFTS HOUSE (SACH)
Kongmang Zone-3 E, Imphal-795001
Email: sach_manipur@yahoo.co.in
www.sach-manipur.com
A premier house of fine arts and crafts in the region

WANTED

Applications are invited for the following posts :

Pay negotiable

Date of walk in interview on 31st May, 2012 at 10 AM at the Office of SACH

Candidate are to bring their resumes at the time of interview.

Sd/- **B.B. Sharma**
Managing Director
SACH

NT/44283/27

থবক্কী পাও

মণিপুরগী Private Office, School শিং অহাংবা ফম খরা কৌজরি **:**

Receptionist, Computer Operator, L.D.C., Asst. Manager, Helper, Security, Driver, Mother, Teacher

Outside : Airlines (Delhi and Guwahati)

Air Hostess, Flight Attendant, Ground Staff,Airport Driver, Security.

Marchant Navy :	D.N.S.Cadet, G.P. Rating, Ship Hos/Hostess, pre-sea Technical.
Call Centre:	C.S.A./C.S.R., Computer Operator, Associate/Sr. Associate.
Interview :	20-06-2012
Last Date :	18-06-2012

9615500178, 9774620477

Advance Jobs Guideline Service
Kwakeithel Bazar, Airport Road

NT/43003/27,2,6,9,10,12,15,18

অৱাবা ফোঙদোকপা

Thongkhong Laxmi Nagar Panchayat কী Ward No. 6 কী এক্স কাওন্সিল্লর ওইরম্বা হুইদ্রোম নোবিন মীতৈ ঙসি তাং ২৬-৫-২০১২ তা লৈখিদ্রে। এক্স কাওন্সিলর অসিনা লৈখিদবদা Thongkhong Laxmi Nagar Panchayat কী Member (W.D.C.) শিংনা লৈখিদবগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকচরি। শ্রী হুইদ্রোম নোবিন মণিপুরগী অফাওবা পেনা শৈশকপা ওজা অমা ওইবতা নত্তনা সনা কোনুংগী অমদি উমং লাই পূম্নমক্কী থৌগল্লোন তৌদুনা লাকখিবা মীশক্লি। মহাক্না লৈখিদবা অসি মণিপুর মীয়ামগী মাঙজবনি হায়না Thongkhong Laxmi Nagar Panchayat কী Member (W.D.C.) শিংনা ফোঙদোকচরি।

Sd/- **Y. Shanti Kumar**
Secretary of Elected Member’s Committee
Thongkhong Laxmi N/P

NT/44295/27

খঙহঞ্জবা

Richard Loitam লৈখিদবগা মরী লৈননা Manipur গী ছাত্র সংস্থানশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং শৌগৎপা ওইনা পোক্লফম খবরদা Karnataka দা মহৈ তম্নবা Adverstiment তৌবা মতম খরগী ওইনা য়ানদ্রিবা ফাওবা লেপচরে।

Sd/- **Educators House**
Kwakeithel Bazar

NT/44294/27

R.C. BOOK LOST

I have lost my R.C.Book of Activa bearing Regd.No. MN 01Z /1975 on the way in between Bazar and Leimaram on 23/05/12. Finder are requested to handover the same to the undersigned

Sd/- **Elangbam Almert**
Kwakeithel Lamdong Leikai

NT/44285/27

URGENT WANTED

Date of INTERVIEW : 31st May, 2012
Contact No. 9862353685 or 8014932031

Sd/- **School Authority**
H.R.D. School, Phayeng

NT/44292/27

PRESS NOTE

A new committee under the name and little as” Mantripukhri Youth Development Committee(MYDC) was formed yesterday . After a long discussion by the member present the following executive member were appointed unaimously.

Executive Members :-

1. M. Ingocha Singh	-	President
2. Taj Shah-Vice	-	President
3. Adin Bukhs	-	Secretary
4. Raj Prashad	-	Cashier
5. Ksh. Naobi Singh	-	Joint Secretary
6. Sikha	-	Treasury

Sd/- **President**
MYDC

NT/44290/27

PURSE LOST

I have lost my purse contained my service I/Card .No.9401260. issued by Manipur Police Dept. and Driving License on the way in between Kha Naorem Leikai and Canchipur and M.U Canchipur on 26/5/2012. Finder are requested to kindly hand over the same to the undersigned.

Sd/- **MK. MORUNG**
P/A. Kha Naorem Leikai, Canchipur
#9615763272,9612886305

NT/44293/27

BUMPER HOUSIE

IN AID OF
SOUTHERN SPORTING UNION(SSU)
SINGJAMEI
DATE-9TH JUNE 2012 (SUNDAY)
TIME **- 4.00PM**
VENUE- **SINGJAMEI COMMUNITY HALL , SINGJAMEI PARKING**
TICKET RATE **- Rs. 3000/-**

- : PRIZE :-

HOUSE FULL	-	Rs. 5.00.000/-
2ND HOUSE FULL	-	Rs. 1.00.000/-
QUICK FIVE	-	Rs.50.000/-
FIRST LINE	-	Rs.50.000/-
SECOND LINE	-	Rs.50.000/-
THIRD LINE	-	Rs. 50.000/-
STAR OF SSU	-	Rs.50.000/-

Sd/- **TH. BASANTA**
JOINT SECRETARY, SSU

খাঙেম্বম প্রিয়োজিৎপু থাগৎচরি

হৌখিবা মতম কয়াদগী লৈরক্লবা Jilla Parishad অমদি কনামত্তনা হন্না ফাওবা য়েংবীদনা লৈরক্লবা Tentha Awangpat লম্বী অসি Tentha Jilla Parishad কী মীরেপ ওইবীরিবা Shri Khangembam Priyojit তেন্থা খোংবালদা লৈবা অসিনা মহাক্কী লন্নাই শেনফমদগী অচংবা পূম্নমক পুথোকপীদুনা লম্বী অসি খূদক্তা শেম্বী শাবীদুনা মায়কৈ অসোমগী লৈত-লায়র কয়াগী মরু ওইনা নুপী অঙাং কয়ানা চৎপদা অপেনবা ওইহনবীবগীদমক হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি অমদি লাক্কদৌরিবা Tentha Jilla Parishad কী মীখলদা Khangembam Priyojit তেন্থা খোংবালদা লৈবা মহাকপু The Awangpat Fisheries Development Committe না শৌগৎচদুনা অঙম্বা মতেং পাংজগনি, মহাকপু মায় পাক্লবগীদমক ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি লোয়ননা তৌরু-তৌরুবা থবক খূদিংমক মায় পাকপা লেপ্পমক ফংবা ওইসনু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা AFDC গী Member পূম্নমক্না হন্না হন্না থৌনিজরি।

Sd/- **Naorem Balharla Singh**
Secretary,
AFDC Tentha

NT/44287/27

জয় শিব শঙ্কর

কলকাটাগী ন্যু জলপাইগুরি সহরদগী খরা অনকপা শিব মন্দির অমদা অঙকপা থৌদোক অমদা উখি। পুজারীনা মনিদরদা পুজা তৌরিঙৈদা নাপী অমা মফম খঙদনা থোক্লকখি। পুজারীদু য়াম্না অকিবা ফাওখি। পুজারিগী অকিবা মতৌদুদা নাপী অদু মৈঙাল ওনখি। লোয়ননা হায়রকখি, “*কিগনু ঐনা হায়রিবসি মুন্না তাও কলি য়ুগসি পাপ্পা হেঞ্জিল্লক্লে, অসি মাঙহনবগীদমক ঐনা পৃথিবীদা মপোক অমা লৈরগনি। ঐগী থৌদোকসিবু শন্দোকপদা মতেং পাংবা কনাবু মানা মানা নিজবা থুংজগনি। থাজদবা কাংবুনা অমাঙবা ওইগনি।*” অসি হায়রল্লগা মৈঙাল অদু মাঙখি। ঐনা থাজবা নুমিত্তগী শন্দোক্কে খল্লুবা কুইরবনি। অদুবু মতাং চাদবদগী শন্দোকপা ঙমখিদে মসিনা ঐঙোন্দা অৱাবা মাঙজবা কয়া অমা থোকখ্রে। ঙসিদি থম্মোয় শেংনা পাউ চে অসিদা শন্দোকচরি।

শন্দোকচরিবী,
Nongthombam Gambhir Singh
Nongthombam Leiriktombi Devi
Nongthombam Rocky Singh
Kongba Uchekon Laikon

NT/44272/27

মতুংদা অমুক হন্না তৌবিগনু

শ্রী Ngangom Yumjao @ Premjit Singh কী Stone Creature গী হেক Gate তা য়াম্না শক্তি লৈবা Bomb অমা থমজিল্লম্ববু Nilakuthi Meira Paibi অমদি Nilakuthi Youth Club না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। হায়রিবা Stone Creature অসিনা Nilakuthi প্রজাশিংগী লৈত লাইরগী হিংবগী জিবীকা ওইদুনা লৈরিবনি। মরম অদুনা প্রজাশিংগী য়াইফনবগীদমক অচুম অরান য়েংবিরিবা ইচিল ইনাওশিংগী মফমগা অকি তুজুংগী থৌদোক অসি অমুক হন্না থোকহনদনবা হায়জরি।

Nilakuthi Meira Secretary,	**Usham Thoibi Devi President,**
Poibi Yaipha Thougallup	Nilkuthi Women's Cum Youth Prohibition Association

NT/44305/27

1ST STATE LEVEL METHMATICS COMPETITION

Orgd. by: Pureiromba Youth Club

RESULT OUT

1. **OVER ALL TOPPER**
   - 1st Class - IX - Roll No. 63-BAL VIDYA MANDIR, KONGPAL
   - 2nd Class-VII-Roll No. 47 - KM BLOOMING ENG. SCHOOL
   - 3rd Class - IX-Roll No. 70 - - do -
   - 3rd Class - IX - Roll No. 54 - - do -

3. **CATEGORY WISE TOPPER**
   - Class - VII - Roll No. 80 - KM BLOOMING ENG. SCHOOL
   - Class - VIII - Roll No. 52 - - do -
   - Class - IX - Roll No. 71 - - do -
   - Class - X - Roll No. 50 - - do -

C/ **CONSOLATION**
   - Class - X - Roll No. 49 k.m., 63 k.m., 46 k.m.
   - Class - IX - Roll No. 73 k.m., 55, k.m., 72 k.m.
   - Class - VII - Roll No. 53 k.m., 50 k.m., 51 k.m.
   - Class - VI - Roll No. 68 k.m., 76 k.m., 71 k.m.

NT/44303/27

ইংখোল য়োঞ্জরি

পোইন্ট ১৫ পাক-চাউবা Patsoi Part-I দা লৈবা ইংখোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জগনি। পাম্বীবা মীওইনা অকূপ্পা মরোলগীদমক Phone No. অসিদা Contact তৌবীয়ু।

NT/44238/27 # 9774389911

OFFICE OF THE SECRETARY
BRIGHTER ACADEMY NEW CHEKON,IMPHAL
Ref No.BA/02/Int/12 25-05-12

WANTED

Person below the age of 35 years, either sex with Master degree in Physics are invited for a post of Physics teacher. They are informed to appear at a walk-in teaching test between 11 a.m. and 2 p.m. on a working day during days(28th May & 2 nd June 2012). They are further informed to come with an application in their own hand writing and copies of testimonials in support of his/her candidature.

Sd/- **Secretary**
Brighter Academy, Imphal

NT/44286/27,28

Ref: Mut. Case. No. 269/SDC/P of 2012

1. Kongbrailatpam Purnakeshwor Sharma
   S/o (L) Ibohanbi Sharma
   of Khurai Konsam Leikai

.... Petitioner

Versus:-

1. (L) Kongbrailatpam Ibohanbi Sharma
   S/o Birchandra Sharma
   of Khurai Konsam Leikai

...... O.P.s

NOTICE

Porompat, the 24th May 2012

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি **:** Imphal East Porompat Circle গী Village No. 17-Moirangkampu গী Patta No. 113, 134 (অরিবা) 199 (অনৌবা) C.S.Dag No. 9 an area 1.48 acre of Phourel লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনাPetitioner শিং অসিদা লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East,
Manipur

NT/44292/27

নবকিশোর

মাবু ঐনা য়াম্না থাগৎপীবনে

মী ময়াম্না নুঙগী লায়েংবগী ওইনা লোইনা খঙনরবা Sir, Nabakishore, Sagolband Khamnam Leirak, Imphal দা লৈবনা লায়েংবীবদা ঐগী নুঙগী অনাবা ফহনবীবদা ঐনা মাবু য়াম্না য়াম্না থাগৎপীবনে। ঈশ্বরনা মাগী অসিগুম্বা অফবা থবক অসি য়াম্না শাংথনা তৌবা ঙমহনবা ওইসনু।

Sd/- **Ngashanpi A. Shipo**
Shangshak (Ukhrul)

NT/44280/27

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,

THOUBAL, MANIPUR

Ref: Mut. Case. No. 216 of 2012

Sagolsem Ingocha Singh S/o., (L) S. Thambou Singh of Charangpat Mamang

.. Petitioner

Vrs:-

Sagolsem Thambou Singh S/o., (L) Meino Singh of Charangpat Mamang

O.P.

NOTICE

Thoubal, the 18th May, 2012

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মদুদি Village No. 97-Icham Thana Patta No. 123, Dag No. 52 acre. 4618 Hect. ফৌরেল লৌফম অসিগী Pattadar Shri Sagolsem Thambou Singh S/o., Meino Singh of Charangpat Mamang অসি মৃ**:** ওইখ্রে। মৃ**:** ওইখ্রবগী তুংদা মহাক্কী মচানুপা Shri Sagolsem Ingocha Singh S/o., (L) S. Thambou Singh of Charangpat Mamang অসিনা মহাক্কী মমিংদা নমা ওনশিনবীরো হায়ররে। মিং ওনশিনখিবদা য়ানিংদবা / য়েৎপীনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোংবদগীনা নুমিৎ তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা মশা লাক্তুনা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি। পীরিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি কোর্টনা আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector
Thoubal Manipur

NT/44311/27

IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER

IMPHAL WEST-II, MANIPUR

Ref: Mut. Case. No. 184/AS&SO/IW-II/2012

Konjengbam Ibochouba Meitei S/o., (L) K. Nabachandra Singh of Lalambung Makhong Haorongbam Leikai

.. Petitioner

Vrs:-

Late Konjengbam Ibocha Singh S/o., (L) Nabachandra Singh Lalambung Makhong Haorongbam Leikai

NOTICE

Imphal, the 26th May 2012

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরি লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৮৮-ললাম্বুং পাট্টা নং ৪৫৮/ ৬৫৫ অং ৯৪ / ১৬০১ (অনৌবা) দাগ নং ৪০১৪ / ৪৬৬৯ গী .০০৪০ হেক্টর চাওবা ইখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ**:** ওইখ্রে। মরম অদুনা মথক্কী এপ্লিকান্ট অসিগী মমিংদা ওনশিনবীরো হায়দুনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা ইখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি লাক্লিবা তাং ২।৬।২০১২ ইং, ফাওবদা অইবা চে ওইনা মথক্কী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি। মতুংদা লাকনা ওবজেক্সন লৌরোই কেস মখা চত্থগনি।

Sd/-
Kh. Indrajit Singh
Asstt. Survey & Settlement
Officer I/W-II, Lamphel
D.C. Complex

NT/44302/27